ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Vol. 48, Issue No. 019 | ইরাই, শজিবু ১১নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, April 19, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

### করম থোক্লগবা ঙসিগী মণিপুরগী মীখল

## কৈরাওদা মীওই ৩ ফূরম্বদগী মীয়াম হৌরক্তুনা ঈরাং থোকখ্রে

## অঙোমচা বিমোল অকোইজম শৌগৎপা মীওই ২ গী য়ূমদা কাপশিল্লক্লে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা ইরিলবুং পি এসকী মনুং চনবা কৈরাও মাক্তিং মখা লৈকায় ফিরদোস মসজিদ মনাক্তা লৈবা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা শরুক য়ারিবা পার্টি অমগী কেন্দিদেটকী ভোট চেনবা মীওই অনীগা অতোপ্পা মীওই অমগবু মারুটি জীপসি অহুম জীপ (থার ২) অমসুং বোলেরো অমদা লাকপা মশক লোৎপা মীওইশিংনা তমথীনা ফূরল্লে হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবগা থৌদোক থোকফমদা চঙশিল্লুবা পাউচে অসিনা ফংলকপা পাউনা হায়বদা শকখঙদবশিংনা ফূরল্লিবা মীওই অহুমদুগী মনুংদা অমনা মীতৈ পাঙলনি অদুগা অতোপ্পা অনীনা মহাক্কা তিন্নবা মমান্নবনি। মখোয় অনীগী গাড়ীদা তোংলগা মীতৈ পাঙল অদুগা লোয়নন লাকপদা মশক লোৎপশিং অদুনা তান্নরক্তুনা গাড়ী খামহল্লগা নোংমৈনচিংবা উৎতুনা ফূ চৈবা হৌরকখিবনি হায়রি।

মীতৈ পাঙল অদুদি মীতৈ অনীদুগা খঙনরুবদগী থিনবীরমগে হায়দুনা মখোয়গী গাড়ীদা ইচম চম্না তোংলকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা শকখঙদবশিং অদুনা মীতৈ পাঙল অদুগী লৈখিদ্রবা অপোকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্লবগীদমক মশাদা য়াওরকখিবা লুপা লিশীং ১০, মখোয় অহুমগী মোবাইল ফোনশিং মুন্দুনা পুখ্রে। মখোয় অহুম্বু ফূবা হৌরকপদা থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুগী মৈরা পায়বীশিংনা চেনশিল্লুবদগী শকখঙদবশিং অদু মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখি। অদুবু মফম অদুগী মীয়াম, মৈরা পায়বী অমদি ক্লবকী মশীং য়াল্লবা মীওইশিং থোরক্তুনা নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তারকপা ফাওবদা মীচমদা খূৎ থাবা য়ানীংদে হায়দুনা কিলোমিটর ৫ রোম লাপ্পরিবা উরুপ লাইশ্রম লৈরক ফাওবা পেন্দবা খোল্লাওশিং লাউদুনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখি হায়রি।

অমরোমদা, কৈরাও এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন খরগী ভোটর স্লিপশিং য়াওনা লাঙ্গোল এরিয়াদগীসু ভোটর স্লিপশিং শকখঙদবশিংনা নমদুনা খোমগৎপগী থৌদোকশিং থোকখ্রে হায়না আই এন দি আই এ ব্লোক, মণিপুরগী মরু ওইবা থৌপুবা মীওই অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোকশিং অসিগা ইরোয়নন সেকমাই এ সীগী মফম অমদসু শকখঙদবশিং লাক্তুনা হয়েং ভোট থাদনবা লোইদ্রিবা ফাওবদা থোরকপা য়ারোই হায়না কিহল্লস্বগী থৌদোকসু থোকখ্রে। অদুগা ইম্ফাল ইষ্টকী এ সী অমদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অমগী খূৎয়েক শাজিন্দুনা পোল্লিং এজেন্ট ওইনবগীদমক হোৎনরম্বগী থৌদোকসু থোকখ্রে হায়না আই এন দি আই এ ব্লোক, মণিপুরগী মীওই অসিনা ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অসিগী মতাংদা হয়েং পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্লগনি হায়রকখি।

হয়েং অয়ূক পুং ৭তগী মণিপুরদসু লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনগদবা মতম নকশিল্লক্লবা তাঞ্জাদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা লম্লাই পি এসকী মনুং চনবা কংলা শঙ্গোমশঙদগী মশাগী চহী ৭০ রোম শুরবা উমাবম সনাজাউবগী য়ূমদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

---

**কুকিনা লান চখরকপদগী অপূনবগী শক্তম শাগৎলকখিবা অদু ইন্দিয়াগী ইলেক্সননা মচেৎ তানা থুগাইরক্লি : মণিপুর ইন্টরনেসনল য়ুথ সেন্টর**

পাউ লমায় ৩দা

---

### কেরলাদা পাঙথোকপা 'মোক পোল' গী ঈ ভি এম খরদা বি জে পিগী ভোট খরা য়াওরম্বগী ৱাথোক সুপ্রিম কোর্ট য়ৌখ্রে

**ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী) :** হয়েংদগী হৌরদুনা তাঙ্কক তরেৎ থোক্না পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা ভোট থাদবগী এৱ্যের্নেস পীনবগীদমক কেরলাদা পাঙথোকখিবা 'মোক পোল' অমদা শীজিন্নবা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) খরদা বি জে পিদা থাদবা এক্সত্রা ভোট খরা য়াওরম্বগী ৱাথোক সুপ্রিম কোর্ট য়ৌখ্রে।

ৱাথোক অসিগী মতাংদা ঙসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস সঞ্জিব খান্না অমসুং দিপানকর দত্তনা চ্যেক তৌনবা ওরেল ওর্দর অমা পীখ্রে।

পনবা য়াবদি, ঙসি বেঞ্চ অসিনা ভোটরশিংনা ঈ ভি এমদা ভোট থাদবদা শীজিন্নগদবা ভোটর ভেরিফাইএবল পেপর ওদিট ত্রেল স্লিপস (ভিভিপেট) শিং ১০০দা ১০০ ভেরিফিকেসন তৌগদবনি হায়দুনা এসোসিএসন ফোর দিমোক্রেটিক রিফোর্মস কৌবা লূপ অমনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমা খন্নবগী ঙসি নীনি চনবা হিয়ারিংদা ৱাথোক অসিগী মতাংদা বেঞ্চ অসিনা ওর্দর পীখিবনি। পিটিসন অসিবু ফাইল তৌরকখিবা লূপ অসিনা কেরলাগী কছারগোদ কন্সটিট্যুএন্সিদা পাঙথোকখিবা মোক পোলদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### ডা. এল এম সিংহ কনফরেন্সতা শরুক য়ারুগনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস):** হয়েংদগী হৌরদুনা ন্যু দেল্লীদা নুমিৎ নীনি চূপ্পা পাঙথোক্কদবা এন্দোস্কোপি কনফরেন্সতা ডা. এল এম সিংহ (দি এম গেষ্ট্রোএন্টরোলোজিষ্ট) শরুক য়ানবগীদমক ইম্ফাল থাদোক্কদৌরি।

### রিমসকী ও পি দিশিং হাংলোই

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস):** রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দন্টনা থোরকপা চেরোল অমনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা ইন্সটিট্যুট অসিগী এমপ্লোয়ীশিংনা ভোট থাদবা ঙম্নবগীদমক হয়েংগী ওইনা দেন্টেলগী য়াওনা ও পি দিশিং ক্লোজ তৌগনি অমসুং রুটিন ওপরেসন থিএটরসু থোঙ লোনগনি হায়রি।

### ভোটকী শেল য়েনবশিং ফারগা চৈরাক পীয়ু : সী পি আই

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস):** লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন অমসুং লোশিংনা য়াদবা থবকশিং মীওই খূজোক খরনা মখোয়না মীয়াম্বু মরু ওইনা শূরি-নোল্লিবা অমদি হিংনবগীদমক লান্থেংনরিবশিংবু ওৎ নৈবা য়ানবা অরোনবা অমসুং ফত্তবা থবক কয়া তৌই হায়না সী পি আই, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী চেরোল অমনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা দেমোক্রেসিগী ফজখ্রবা ইলেক্সন অসিবু ক্রিমিনেল ওইরবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### ককচীং কৈথেলদা খোঙজং

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস):** মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা কাঙলূপকী ঈরাং অসি লোইশিন্দ্রিবা ফাওবা লৈবাক অসিগী মীখল অমত্তদা শরুক য়ারোই, লান হান্না লোইশিল্লু অমসুং মীখল কোন্না পাঙথোকউ হায়না ককচীং কৈথেলগী নুপীশিংনা অমুবা ফি খূৎতা পূন্দুনা ঙসি খোঙজং চঙশিনখ্রে।

### বি জে পি মাইনোরিটি মোর্চাগী প্রসিদেন্টগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপীয়ু : অয়াজউদ্দিন

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :** মীওইবা অমগী পূন্সিবু তেমশিংনবা ৱাফমশিং ফেসবুক্তা পোষ্ট তৌরকখিবা বি জে পি মাইনোরিটি মোর্চা মণিপুর প্রদেশগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা লিলোং হাওরৈবি শম্বুখোংদগী মককময়ূম অস্কর এলিয়জ এম কে অটিফ অস্কর (৩৮) অপোকপা এম দি নৱাব আলি এলিয়জ ইবোম্বীগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপীদুনা মহাক্কী পূন্সিবু কনবীয়ু হায়না এম দি অয়াজউদ্দিন কৌবা মীওই অমনা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিগী পূক্রিং চিংশিনখ্রে।

ঙসি লিলোং কৈথেলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ওটো থৌবনা শিনফম ওইবা লিলোং কৈথেলদগী মীওই অসিনা পাউমীশিংদা হায়, মহাক ওটো থৌদুনা চম্না হিংজবনি। থা অসিগী ১৫দা অমিট শাহ য়াওবা মীফম অমগী রিজার্ভ চৎপনি। মীফম অদু য়াওবা চৎপা নত্তে। মফম অদুদা পাউমী অমনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### নোংমৈ রাউন্দ ৭/৮ কাপ্লক্লে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা ৱাঙ্খেই নীংথেম পূখ্রি মপালগী লেন নম্বর ৫-বিদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এ দি এম সমসন হুইদ্রোমগী য়ূম ময়াদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ রাউন্দ ৭/৮ লোম কাপথোক্লক্লে হায়রি।

থৌদোক অদুদা মফম অদুগী মীওই অমত্তা অশোক অপন য়াওখিদে। অদুবু করিগীদমক মারুটি জীপসি অমদা লাকপা মীওইশিংনা নোংমৈ মরূশিং অদু মফম অদুদা কাপ্পল্লিবনো হায়বগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমখিদ্রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়বদদি নোংমৈ কাপ্লে হায়বগী পাউ ফংবগা খুদক্তা ইম্ফাল ইষ্টকী কম্মান্দো টিম অনী চঙশিন্দুনা থি-হুম্বগী থবক চথুখি। অদুবু মীফা মীপূনদি লৈখিদে হায়রি।

অদুম ওইনমক লৈরক অদুগী মীওইশিংনা মী কূংনা তাবা মফমদা নোংমৈ মরূশিং কাপথোক্তুনা অকি-অখং পোকহল্লম্বা থৌদোক অদু য়ানীংদে, মতুংদা থোকহনবীগনু হায়না ফোঙদোক্লরকখি।

### ঙসি অয়ূক্তগী এন ঐচ-৩৭তা দ্রাইভরশিংনা মতম কক্তনা ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি লাউথোকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৬কী অয়ূক্তা মণিপুরগী মরু ওইবা লাইফ লাইন অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বীদা সী আর পি এফনা ঙাক শেন্দুনা পুরকখিবা ত্রকশিংগী মনুংদগী গ্যাস বুলেট অমদি ওইল টেঙ্করশিংদা নোংমৈ কাপশিনবদা নত্তনা দ্রাইভর অনীবু শোকহল্লকখিবা থৌদোক্কী মতুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতিক চাবা এস্কোর্ট পর্সনেলশিং অমসুং আর ও পিশিং পীদে হায়বদগী হয়েং অয়ূক পুং ৬তগী হৌরদুনা হায়ৱে অসিদা দ্রাইভরশিংনা ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি জিরিবামদা দ্রাইভরশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা লৌবা ৱারেপকী মতুংইন্না লাউথোকখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ১৬কী থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা ঙসি ফাওবদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগীনা লৈঙাংপোকপী ফাওবগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং থন্না হাপ্লবা গাড়ী ২৫০ রোম ইম্ফাল য়ৌশিল্লকপা ঙমদনা পন্দুনা লৈরক্লিবনি। গাড়ীশিং অসিগী মনুংদা ওইল টেঙ্কর ৪৩ অমসুং এল পি জি বুলেট ৫৮ য়াওরিবনি। পন্দুনা লৈরক্লিবা ত্রকশিংগী মনুংদগী অমগী দ্রাইভরনা পাউচে অসিদা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা হায়ৱে অসিদা মতিক চাবা সিক্যুরিটি এস্কোর্ট অমদি আর ও পিনচিংবা পীদ্রিবা ফাওবা ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং লেপ্তুনা চথখিগনি। অদুগা মরম চাবা দিমান্দ অসিগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোরক্লবসু হোৎনগদবনি হায়খি।

অমরোমদা, হায়ৱে অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা গাড়ীশিংদা অকায় অতোয় থোকহনবা অমসুং দ্রাইভর অনী শোকহনখিবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীগদবনি। মসিগীদমক অইবা চেরোল পীদ্রিবা ফাওবা খোঙজং অসি হন্দোক্লোই হায়খি।

---

## 'লান থোক্লকপা মতমদা লৈঙাক পায়বা অমসুং লান লোইশিনবীদবা পার্টিদদি ভোট পীররোই'

### রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা অঙাংশিংনা ফিরোইগী থৌগল তৌখ্রে

(পাউ লমায় ৩দা)


*লোক সভা মীখল - ২০২৪দা মীয়ামগী হকথেংনবা পাউদম*






ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনি, লমদিং খাঙবোক (ওই), সুলোচনা, ৱাংজিং হোদাম্বা লৈকায়

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস):** হয়েং ইন্নরগী এসেমব্লি সেগমেন্ট ৩২ অমসুং আউটরগী এসেমব্লি সেগমেন্ট ২৮গী মনুংদা ১৫গী মীখল অহানবা ফেজদা ভোট থাদনগদৌরিবা অসিগী মাঙওইননা পাউচে অসিনা আউটরদা চিংলিবা এ সী খরগী মীওইশিংগা উনরুবদা লমদিং লৌপাল লৈকায়, খাঙবোক এ সীদগী ৱাংজিং কৈথেলদা ঙা অয়াইবা য়োল্লম্বী ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনিনা হায়, হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলসিদা ভোট থাদগদৌরিবা কেন্দিদেটশিং অদু কনা কনানো হায়বা মশক অমত্তা খঙদে। কেন্দিদেট অমত্তনা ভোট খোম্বসু লাক্তে। মমাঙদা পাঙথোকখিবা মীখলদসু কেন্দিদেট মশক ...মখা লমায় ৩ কলম ২




HL-B/8693/19